ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারী ২৬, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৯৫শুবা মশীং

লান লোইদ্রিবা ফাওবা ৱাখো হায়ব্রা

লান অসি হান্না লোইশিনবনা চুমগদ্রা

হৌখিবা মে ৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং খক্তা নত্তনা মখোয়গা লাইনীং অমদি চীঙ্গাক মান্নবা মপান্দগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংগা ফাওবা খূৎশম্নরগা য়েলহৌমী মীতৈদা ওনশিন্দুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লান অসি কুইমনখ্রে। থা ৮ মপূং ফাখ্রবা মতুংদা হৌজিক থা ৯ চঙশিল্লক্লে। মণিপুরদা হন্দক থোক্লিবা লান অসি ঙসি লৈবাক অসিনা পাঙথোক্লিবা ৭৫শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অসি ফাওবগী মনুংদা হৌখিবা কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী লৈবাক অসিগী য়াম্লবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্নি। মতম কুইনা শাংনা চত্থরকপনা লান শোক্নরিবা ফূরুপ অনী য়াওনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফূরুপ ৩৪/৩৫গী মীওই পূম্নমক চঙ ফংনা ৱারে, নংবনা নঙ্গল পায়রে হায়বগী ফীভমদু ফাওবা য়ৌরে। লৈঙাক্কী শেন্মীৎলোনসু লৈনুংদা লূনা চঙখিবনা মণিপুর মীয়ামগী শেন্মীৎলোনসু খম থেংনা শোকচিল্লক্লে। লান অসিনা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা মীওই পূম্নমক অৱা চৈথেং পীরে। মতম অমদা লৌবুক্তদি তীল তাই, লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীগী তোলোপ্তুদি তীল তাদে হায়নরম্বদু ওন্ন-তৈনরক্লে। চহী কয়া লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী ওইরম্লবা মতুং সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম ফংবা ঙমদ্রে। হৌজিক এমপ্লোয়ী অমা ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিবশিংগী মনুংদা য়াংলেন শরু লোয়শঙ ওইরিবা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা এমপ্লোয়ীশিং ফাওবা মহৌশাগুম্না চাং নাইনা তোলোপ ফংবা ঙমদ্রে। লান অসিগী মনুংদা রেদ/বফর জোন হায়বনচিংবা খূৎশেমগী অনৌবা ৱাফম অমসুং ফীভম চোঙথোরকপনা লল্লোন ইতিক তৌদুনা হিংনবগী লানফমদা লান্মী ওইজরকপা মীওই কয়া মায়থীরবা লান্মী ওইরক্লে।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱারোইশিনদি তমথীরবা লান অসি মীকুপ অমা ফাওবা চোন্থহন্দনা লোইশিনবনি। অদুবু হায়রিবা থবক অসিদি তৌগদবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তৌবগী মহুত্তা লাঞ্জেন্নরিবশিংদা চঙজফম/তেংবাঙ পীবা, লানফম ওইগনি খনবা মফমশিংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌবরোমদা পূক্লিং চঙদুনা লৈরে। লান অসিগী চপ চাবা মীহুলদা খূৎ অনী চঙদুনা পায়রগা মসিবু মখা তানা থোরক্তনবা থবক্তি তৌদ্রে। মসিমক্না লান অসি থা ৯ য়ৌনা চঙশিল্লকপনি। মরম অসিনা লান অসি খামদুনা লেপহন্দ্রিবা ফাওবদি মীশি-মীনা খক্তা নত্তনা মণিপুর মীয়ামগী শোকহল্লিবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম অসি খ্বাং কোইরম্বদগী ঙক য়ৌনা পুথরক্কনি হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাহে ওইররোই। অদুমকপু জন্যুৱারী ২৪, ২০২৪দা কংলাদা পাঙথোকখিবা মীফমদা মীয়ামগী মহুৎ শিনখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা এম এল এ/মিনিষ্টর/এম পিশিংদা দিমান্দ তরুক থমদুনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা থবক্তা ওন্থোররক্নবা তকশিনগনি হায়দুনা য়ানখিবা অদুগী মতুংইন্না করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোররক্লগাদি লান অসিবু লেপহন্নবগী তঙাইফদবা মচাক খরা য়াওরে হায়নীংই। মরমদি দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা অসাম রাইফলসশিং পুল্লপ লৌথোক্লগা অতোপ্পা ফোর্সনা মহুৎ শিঞ্জিনবা য়াওরি। কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরক্লিবা সূ হন্দোক্নবা, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং তকথোকখিবা অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবকসু য়াওরি। তশেংনমক দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা খরসিনা তমথীরবা লান অসি লেপহন্নবগী চপ চাবা মীহুল ওইদ্রবসু দিমান্দ তরুক অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লগাদি কল্লবা লান অসিগী 'শ্বর' শৎপা ওইনা শোয়দনা থোক্কনি খল্লি। মরম অসিনা পূম্নমক্তা মৈশা লাংহল্লিবা লান অসিবু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি নৎত্রবদি লান লোইদ্রিবা ফাওবা মীয়াম অদুমক ৱাদুনা লৈখো হায়বগা চপ মান্নগনি।

ꯂꯥꯟ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯋꯥꯈꯣ ꯍꯥꯏꯕ꯭ꯔꯥ

ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯍꯥꯟꯅ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕꯅ ꯆꯨꯝꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯍꯧꯈꯤꯕ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯀꯨꯀꯤ ꯂꯝꯍꯦꯟ-ꯇꯨꯍꯦꯟꯕꯁꯤꯡꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯄꯥꯏꯕ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡ ꯈꯛꯇ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯆꯤꯡꯉꯥꯛ ꯃꯥꯟꯅꯕ ꯃꯄꯥꯟꯗꯒꯤ ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯄꯥꯏꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒ ꯐꯥꯎꯕ ꯈꯨꯠꯁꯝꯅꯔꯒ ꯌꯦꯜꯍꯧꯃꯤ ꯃꯤꯇꯩꯗ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯇꯝꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯀꯨꯏꯃꯟꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯊꯥ ꯸ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯊꯥ ꯹ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ॥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯍꯟꯗꯛ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯉꯁꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯷꯵ꯁꯨꯕ ꯔꯤꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯗꯦꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯍꯧꯈꯤꯕ ꯀꯨꯝꯖ ꯱꯹꯵꯰ꯒꯤ ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯶ꯇꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯌꯥꯝꯂꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯗꯤ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯔꯤꯁꯤꯡꯗ ꯑꯃꯨꯛꯇ ꯊꯣꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯅꯤ॥ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯅ ꯁꯥꯡꯅ ꯆꯠꯊꯔꯀꯄꯅ ꯂꯥꯟ ꯁꯣꯛꯅꯔꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯅꯤ ꯌꯥꯎꯅ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯁꯤꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯳꯴/꯳꯵ꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯆꯡ ꯐꯪꯅ ꯋꯥꯔꯦ, ꯅꯡꯕꯅ ꯅꯡꯒꯜ ꯄꯥꯏꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗꯨ ꯐꯥꯎꯕ ꯌꯧꯔꯦ॥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟꯁꯨ ꯂꯩꯅꯨꯡꯗ ꯂꯨꯅ ꯆꯡꯈꯤꯕꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟꯁꯨ ꯈꯝ ꯊꯦꯡꯅ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯂꯦ॥ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯅ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯁꯤꯟꯐꯃꯗ ꯂꯩꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯋꯥ ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯄꯤꯔꯦ॥ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯧꯕꯨꯛꯇꯗꯤ ꯇꯤꯜ ꯇꯥꯏ, ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯑꯦꯃꯞꯂꯣꯌꯤꯒꯤ ꯇꯣꯂꯣꯞꯇꯨꯗꯤ ꯇꯤꯜ ꯇꯥꯗꯦ ꯍꯥꯏꯅꯔꯝꯕꯗꯨ ꯑꯣꯟꯅ-ꯇꯩꯅꯔꯛꯂꯦ॥ ꯆꯍꯤ ꯀꯌꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯑꯦꯃꯞꯂꯣꯌꯤ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯕ ꯃꯇꯨꯡ ꯁꯔꯚꯤꯁ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯏꯔꯗꯨꯅ ꯊꯕꯛꯇꯒꯤ ꯄꯣꯠꯊꯥꯔꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯐꯪꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯄꯦꯟꯁꯅꯒꯤ ꯁꯦꯟꯐꯝ ꯐꯪꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯑꯦꯃꯞꯂꯣꯌꯤ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯅ ꯃꯊꯧ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯌꯥꯡꯂꯦꯟ ꯁꯔꯨ ꯂꯣꯌꯁꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯍꯣꯝ ꯗꯤꯄꯥꯔꯇꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯃꯈꯥꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯑꯦꯃꯞꯂꯣꯌꯤꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝꯅ ꯆꯥꯡ ꯅꯥꯏꯅ ꯇꯣꯂꯣꯞ ꯐꯪꯕ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯔꯦꯗ/ꯕꯐꯔ ꯖꯣꯟ ꯍꯥꯏꯕꯅꯆꯤꯡꯕ ꯈꯨꯠꯁꯦꯃꯒꯤ ꯑꯅꯧꯕ ꯋꯥꯐꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯤꯚꯝ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯀꯄꯅ ꯂꯜꯂꯣꯟ ꯏꯇꯤꯛ ꯇꯧꯗꯨꯅ ꯍꯤꯡꯅꯕꯒꯤ ꯂꯥꯟꯐꯃꯗ ꯂꯥꯟꯃꯤ ꯑꯣꯏꯖꯔꯀꯄ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯃꯥꯌꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟꯃꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯦ॥

ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯤꯕ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯃꯠꯇ ꯉꯥꯏꯔꯕ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟꯗꯤ ꯇꯝꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯀꯨꯞ ꯑꯃ ꯐꯥꯎꯕ ꯆꯣꯟꯊꯍꯟꯗꯅ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯥꯏꯔꯤꯕ ꯊꯕꯛ ꯑꯁꯤꯗꯤ ꯇꯧꯒꯗꯕ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯇꯧꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯗ ꯆꯡꯖꯐꯝ/ꯇꯦꯡꯕꯥꯡ ꯄꯤꯕ, ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯣꯏꯒꯅꯤ ꯈꯅꯕ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯗ ꯁꯤꯀꯨꯔꯤꯇꯤ ꯄꯔꯁꯅꯦꯂꯁꯤꯡ ꯗꯤꯄ꯭ꯂꯣꯏ ꯇꯧꯕꯔꯣꯃꯗ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯆꯡꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯦ॥ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯆꯞ ꯆꯥꯕ ꯃꯤꯍꯨꯂꯗ ꯈꯨꯠ ꯑꯅꯤ ꯆꯡꯗꯨꯅ ꯄꯥꯏꯔꯒ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯊꯣꯔꯛꯇꯅꯕ ꯊꯕꯛꯇꯤ ꯇꯧꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯊꯥ ꯹ ꯌꯧꯅ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯀꯄꯅꯤ॥ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯈꯥꯃꯗꯨꯅ ꯂꯦꯄꯍꯟꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗꯤ ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅ ꯈꯛꯇ ꯅꯠꯇꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯁꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯑꯁꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯡ ꯀꯣꯏꯔꯝꯕꯗꯒꯤ ꯉꯛ ꯌꯧꯅ ꯄꯨꯊꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯏꯕꯗ ꯍꯦꯟꯖꯤꯟꯕ ꯋꯥꯍꯦ ꯑꯣꯏꯔꯔꯣꯏ॥ ꯑꯗꯨꯃꯛꯄꯨ ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯴ꯗ ꯀꯪꯂꯥꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯃꯤꯐꯃꯗ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯈꯤꯕ ꯑꯔꯥꯝꯕꯥꯏ ꯇꯦꯡꯒꯣꯜꯅ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ/ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ/ꯑꯦꯝ ꯄꯤꯁꯤꯡꯗ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗ ꯇꯔꯨꯛ ꯊꯃꯗꯨꯅ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯱꯵ꯅꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇ ꯊꯕꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯔꯔꯛꯅꯕ ꯇꯛꯁꯤꯟꯒꯅꯤ ꯍꯥꯏꯗꯨꯅ ꯌꯥꯟꯈꯤꯕ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯊꯕꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯔꯔꯛꯂꯒꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯂꯦꯄꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕ ꯃꯆꯥꯛ ꯈꯔꯥ ꯌꯥꯎꯔꯦ ꯍꯥꯏꯅꯤꯡꯏ॥ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕ ꯑꯁꯥꯝ ꯔꯥꯏꯐꯜꯁꯁꯤꯡ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯒ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯐꯣꯔꯁꯅ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯖꯤꯟꯕ ꯌꯥꯎꯔꯤ॥ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯒ ꯇꯧꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯁꯨ ꯍꯟꯗꯣꯛꯅꯕ, ꯏꯜꯂꯤꯒꯦꯜ ꯏꯝꯃꯤꯒ꯭ꯔꯦꯟꯇꯁꯤꯡ ꯇꯛꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯒ ꯇꯥꯏꯅꯕ ꯉꯃꯈꯩ ꯁꯝꯕꯜ ꯈꯥꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤ॥ ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕ ꯈꯔꯁꯤꯅ ꯇꯝꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯂꯦꯄꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯆꯞ ꯆꯥꯕ ꯃꯤꯍꯨꯜ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗ ꯇꯔꯨꯛ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯊꯕꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯒꯗꯤ ꯀꯜꯂꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ 'ꯁ꯭ꯋꯔ' ꯁꯠꯄ ꯑꯣꯏꯅ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯊꯣꯛꯀꯅꯤ ꯈꯜꯂꯤ॥ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇ ꯃꯩꯁꯥ ꯂꯥꯡꯍꯜꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯑꯊꯨꯕ ꯃꯇꯃꯗ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯂꯥꯟ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯑꯗꯨꯃꯛ ꯋꯥꯗꯨꯅ ꯂꯩꯈꯣ ꯍꯥꯏꯕꯒ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯒꯅꯤ॥

লাননা মরু ওইবনিনা লান লোইশিনবা পাম্মী ঐখোয়

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুরদা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা তারকপা লানসি লোইশিনবা খক নাইদ্রে। ভুট শান্নবা তম্লুরগা লোইশিনবা হৈহৌদবা কাঙবুশিংনা মীতৈদা ভুট থাজিল্লকপগা চপ মান্নখ্রে। মীতৈশিংনা হৌজিক ভুট থাজিনবা হৈবা ওজাশিংগী মনাক্তা চৎলুবসু তৌদ্রে, অমরোমদা মশা মথন্তনা মরোমদোম মরৈবাক্তগী ভুটশিং তান্থোকচখিবা ঙম্বা হায়বদুসু হৌজিকমক্কী ওইনদি ঙম্বা উদ্রি। নোংম-নোংমগী মীতৈশিং ভুটনা শোকচিল্লকপগী চাংদি লেপ্তুনা হেঞ্জিল্লক্লি। কুকিশিং হায়বসিদি ভুটকুম্বনি, মখোয়দি লম্লক্তদা য়ারেক্তুনা লৈরকপনি। চীং, পাৎ, তুরেল, চীংলক-উরক্তদা কুকিশিংনা চাউরকপনি। মখোয়গী অশেংবা লৈফম অমদি ময়ূম হৌজিক ফাওবদা মালেমসিগী মীয়াম্না খঙনদ্রিবনি। মখোয়না খ্বাইদগী হেন্না হৈনজবা শিনফমসি মীঙোন্দা তম্নবসিনি। কুকিশিংনা হন্দক মীতৈদা তম্নবসিদি ওখাক শাথীরে। মীতৈশিংগী লম, য়ূম-ইন্থোল মুল্লগা ভুটকুম্বা মখোয়গী মকোল শারগে থৌরাংবনি। কুকিশিংগী থৌরাংসি হান্না মমাঙদগী মঙজরকপা মঙলান্নিসু হায়রি। অদুবু, লুরিবদি হন্দকসি ঐখোয়না খজিক-খরাক কোমথোল্লুবগী তাঞ্জা চাখিবগা ভুট মপূ কনাগুম্বা অমনা ভুট শান্ননীংবগী কন্না থিরকপা মতাং ওইখিবগা কুকিশিং মপা চপ চানখ্রে। সিননি হৌজিক ফাওবদা কুকিশিংনা লান খক হন্দ্রিবসি। কুকিশিংগী লান লোইখিরোই মখোয়বু শেন্বীবা মপূ অমা কন্না য়াওরি। মখোয়গী মপূদুনা মখোয়বু শেন্বীরবা মতুং মণিপুরগী মীতৈশিংদা ওনশিনহনবা জাৎনি। সিদনি, মীতৈশিংনা খজিক্তং লুরিবসি।

হন্দক্তি কুকিশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংদা লান তারকপগী ৱাহৌদগী মীতৈশিংদা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বগী মীয়ামসু য়াওনা মালেমসিগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমগী মীয়াম্না কুকি হায়বা কাঙলূপসিগী ৱাহন্থোক অসুক্কী মতিক শেংনা খঙনখ্রে। কুকিশিংসি তশেং-তশেংনা নোমেদিক ত্রাইবনি হায়বসিসু থিগৎলুরিবা খুদিংমক্না ৱাখল তানখ্রে। নোমেদিক ত্রাইবকী চপ চাবা মওং-মতৌ হায়রগদি, মালেমসিদা কুকিশিংগী মরৈবাক-মরমদম হায়বসি অরেপ্পা মফম অমা ওইনা খক লৈফম থোক্তে। মখোয়সি মালেমগী মফম কয়ামরুমদা হোং-হোংদুনা চৎখিগদবা ত্রাইবনি। হন্দক কুকিশিংনা মণিপুরদগী মখোয়গী হোমলেন্দ নৎত্রগা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা তানবগী ৱাখল্লোন ফাওরক্লিবসি ফাওফম থোক্তবা অমনি। অদুবু, ৱাখল্লোনসি ফাওরক্লে হায়রসু মখোয়না ৱাখল-লৌশিং ফাওরকপা নৎত্রগা মখোয়গী নোমেদিক ত্রাইব ওইবগী মচৎতুদগী করিগুম্বা খরদং খুদক্কী ওইনা নৎত্রগা মতম চুপ্পগী ওইনা অহোংবা লাকপদা হান্না মাঙজৌননা মীগী মরৈবাক-মরমদম ওইদুনা লৈরম্লবা লমদম অমবু মখোয়গী মরমদম ওইরগে হেক্তা হায়রকপসি হৌনব্রা? মখোয় লান্দা হৈনবা কাঙলূপনি, লান তৌরগা মখোয়না পাম্বা খুদিংমক শোয়দনা ফংগনি হায়বসিসু হৌজিক্কী মতমসিদা মালেমসিদা কনামত্তনা খক য়ারোই। মখোয়না খল্লিবা ৱাখল্লোনশিংসিনা মাঙ থারগা মালেমগী মীপূম খুদিংমক্তা অসুম্না হেক-হেক হায়রুবদগী থোল্লকপা লানফমশিং ওইরমগনি মখোয়না ঙাইহাক লৈতনা লান হেক-হেক থেংনৈ হায়রিবদু। মরম চারগা শোক্লবনা শোক্লবনি, মরম চাইসু খঙদা, চাদেসু খঙদা মীপূম খুদিংমক মখোয় লান পাম্বা কাঙলূপনি, লান হৈনৈ হায়রগা খুন্নাইরোল অমা শুকয়াও-য়াওদনা মখোয়না তৌনীংবদা তৌবগী মতমদু ঙসিদি নৎত্রে। মখোয়বু ভুট য়োকপদৌনা মতম খরদংদা ওইরসু য়োকপীরকপা মপূদুনদি ৱাফম পূম্নমকসি শোয়দনমক্কী খঙলমগনি। মপূদু কনানো খঙনরকপগী মতমসু শোয়দনা লাকখিনি।

হন্দক্কী কুকিগী লানসিগী মতুংদগী মণিপুর লৈঙাক্না ময়া কাবাক খল্লবা হুইগুম খোংবা ঙমদনা লৈরক্লিবসি মতম শাংলক্লে। ফীভমসি করিনো হায়বসি মণিপুরগী মীচম-মীয়াম পূম্নমক্না মশীং খঙদনা হংনরকখ্রবনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না এদভাইজর থারকপা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী মরমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না করি খল্লিবনো অমসুং করি ফিরেপ লৌরিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহংশিংনি। অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু হন্দক্কী কুকিশিংগী লান মতুংদগী মণিপুর লৈঙাক্কী অশোনবা লৈরে হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্কীদমক খুদোংচানবা নৎত্রগা খঙহৌদনা ওইরক্লিবা কন্ট্রোল তৌবদা ৱারগদবা সিচুএসনসিবু লাকশিন্নবগীদমক থাবীরকপা এদভাইজর ওইরম্বসু য়াই। মসিমক ওইরম্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা থাজিল্লকখিবা অমসুং হান্নদগী হৌনা লৈরকখিবা য়াম্লবা ইন্দিয়ন আর্মিশিংসু য়াওনা মণিপুরগী এদভাইজরনা হন্দক্কী কুকিশিংগী লানসি হন্থহন্নবা হোৎনবদা শোয়দনমক্কী শীজিন্নরম্ফম থোকই। ইন্দিয়ান আর্মি ময়াম অমসু য়াওনা হোৎনমিন্নরবা ফাওবদা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা তারকপা লানসি হৌজিক থা মাপল্লোম শুজিল্লক্লবা সি ফাওবদা লেপহনবা ঙম্লকত্রিবনি নৎত্রা? অদু ওইরবদি হন্দক্কী কুকিশিংগী লানসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেং য়াওরবা ফাওদসু নমথবা শুকঙম ঙমদ্রে হায়না লৌবা তারব্রা? ফীভমসি ওইরবদি, হন্দক্কী কুকিশিংগী লানসি চহী কয়ামরুম চঙখিনি, চঙলরোই হায়বগী ৱাফম্না অমা ওইরগা মখোয়না শুংশোয় শোয়দবীদা নোংমা নৎত্রগা নোংমা শোয়দনা লানসি মায় পাকখিগদৌরব্রা হায়বসিসু খন্ননীংঙাই ওই। অদু ওইরদি ঐখোয় হৌজিক কৈদৌবা তাই? ফাগি-ফাগিদগী মণিপুরদা থেংনরিবা কুকিশিংগী লানসি তশেংনা ইরমদমসিগী মীতৈ মচা ঐখোয় খুদিংমক পূন্না চোংথোকমিন্নরগা পূন্না লান থেংনমিন্নবগী ফীভমদুদি নহান্না য়ৌরম্লে।

'কুকিজ দি গ্রেট' - মখোয় মশানা হায়জবনি। কদাইদগী 'দি গ্রেট' ? হুরানবা, মীপান তাংলুবগী লাঞ্জেল্লগদা হিংজবা মখোয়নবু? অদুবু লুরিবদি হন্দক্তি কুকিশিংসি য়াম্না কনখৎলম্লে, তশেংনা নিংথীজনা কনখৎলম্লে। মখোয়না কনখৎলম্বগী মরম, মখোয়গী থৌনা হাপ্পীনবা অমদি অৱাৎ-অপা খুদিংমক্তা চাউনা মায়রোং য়াবীনবা কনাগুম্বা মীশক অমনা কুকিশিংগী মতুংদা ৱাংনা লেপ্তুনা লৈরম্লে। সিদনি কুকিশিংনা মীতৈবু কিরক্ত্রিসি? মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি মণিপুরদা মচিৎ-মচিৎ চেনশিল্লক্লগা মীপান তাংদুনা লৈরম্বা কুকিশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংবু কিরকত্রে হায়রকপসি মখোয়দা মদুগী মতিক চাবা মরম খরা শোয়দনা লৈরম্বা য়াই নৎত্রগনা মখোয় মতোমতনা মতিক চারে খঞ্জবা মরমশিং খরদি শোয়দনা লৈরম্লনি। অদুবু সি হায় হায়দুনসু ঐখোয় খুদক্তা ফিঙ্গৎপদি তৌহন্নীংদে। তঙাইফদ্রবদি মীতৈশিংনবু অমত্তা ওইনা অমসুং তশেংনা লীংজেল মান্ননা লেপ্পা ঙম্লবদি কুকিশিংগী মতুংদা লেপ্লিবা অচৌবা, অৱাংবা মীশক্তুসু শুপ্পতগী ঙাইহাক খক্তমক লেপ্পল্লগা শোয়দনা খোঙফম হন্দোকখিবসু য়াই। ঙরাংগী মথং নহানমক ঐখোয়গী মিৎনা মীতৈশিংগী শেংলবা লাইফম্লেন কংলাদা উরক্কনি নীংলমদ্রবা সিনরিওশিং উরক্লিবদুনি অমসুং তারক্কনি থাজরুদ্রবা ৱাহৈশিংসু তারক্লিবদুনি। য়াম্নদি পঞ্জররোই, লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ পাখংবা অনীনা চেৎনা নাওয়োক-নাওকোনবীবা মীতৈ ঐখোয়গী সলাইনি অমসুং ফূরুপনি। তশেংনা তঙাই ফন্দ-ফরক্ত্রবদি মীতৈ ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা চিত্থদনা পূন্না চঙমিন্নরগা কুকিশিংগা লান থেংনগদৌরিবনি।

হৌদোং মচা চাউনবা শঙ্গোম পীজদুনা য়োক্লগা নাউ চাউরকপা, কৈ মচা চাউনবা শদুম পীজদুনা থাক্লরগা চাউরকান্দা মপূদা ওনশিন্দুনা চারকপা তোয়না থোকখ্রবা থৌদৌশিংনি। চীংনি-মাননি হায়দুনা মতম অমদা মীতৈশিংনা মখৌ পোংদুনা তাগে তাজসনু, মফম-মরাং খঙদবা, মপা-মপূ মশকসু লৈতবা, পীতৎ-পাতৎপা মখোয় খরনা কৈদৌনি হায়গে হায়খিবনি। ঐখোয়না নোংমতসু য়ৌরুদবা, অশোঙবা নারক-মোংশোঙ, শা-কৈনা থল্লবা চীংনুং-মান্নুংদুদবু কৈনা খরা চা, লীননা খরা চিক, মরন্নাই লোইশিঞ্জখিনি খল্লুবা কুকিশিংদু ঙসিদি চরোৎ হাপুঙগুম মপূং লোইনা ফারম্লে, লমগী ষণশিংদগী হেন্নসু কাঙলূপ ফারম্লে, মশীংসু য়াম্লম্লে। য়ামখিসনু ফৈ অমরোমদদি, মতম কয়াদগী হৌনা মীতৈশিংনা মপা-মপূনা থন্বীরম্বা মরৈবাক-মরমদম নোংমতসু চেকশিন্না য়েংশিল্লুদে। মপূক ফরিবনি হায়দুনা মীতৈশিংনা চহী খুদিংগী মীশিং তঞ্জায় হেঙ্গৎলক্কেরা, মপূম হেনগৎলক্কেরা, হূরান-লোন্নাদা তাংদুনা হিংলিবা মখোয়না অসুক য়াম্না-য়াম্না মীশিং হেঙ্গৎলক্লিবসিবু কদাইদগীনো হায়দুনা নোংমতসু য়েংশিনহৌদে। লোন্না খজিক্তংদা ফাওবা খন্থহৌদে। মদুনা হৌজিক্তি য়েক্লুবা কুকিশিংনা মপূ ওইরিবা মীতৈ ঐখোয়বু ইরমদমসিদগী তান্থোক্লুবা থৌরাং পূম্বা লোইশিন্লিবসিনি। লৌ মপু য়োংনা তাল্লকপগী থৌদৌনি। পেনখিদ্রে-দা।

খুদম্না, চাংদম্না পাড়া তম্বীবদা য়াদবা কুকিশিংসিদি ময়েক্কীদি লোইনা তুমহল্লদৌনি। য়েংসি কয়া কুইনা মখোয়বু শীজিন্নরিবা মীওই খুজোক্তুনা মখোয়গীদমক লেপ্পীবা হায়বদু? ঐখোয়গীসু ইবুধৌ পাখঙবা অমদি লাইনিংথৌ সনামহী ইপা ইবুংঙো অনীনা লেপ্পীরিবসিদি? থোয়নসু ৱাখিরোইসি ঐখোয়, ঙাইহাক পুঙ্গোইদি ময়েংখিসি। ●

ৱাগী শিন্নাইশঙদা ঙাফা খূৎলায় 'লূ'

খূৎনাইবা নামৈরাকপম শ্যামকেশো উনরুবা-৩

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

লূগী মতাংদা, লমদম অসিদা হায়রিবা ঙা-ফা খূৎলায় অসি কমদৌনা করম্বা মতমদগী শাদুনা শীজিন্নবা হৌদোরকখিবনো হায়বদি ঙমদ্রে। অদুম্নদি ওইরগা লূ মখলশিং হায়বদি শোরালূ, কবোলূ অমদি তেখাওলূ হায়দনা লৈরিবা মমিংশিং অসিগী মনুংদা তেখাও অমদি কবো হায়বা লম অনী পন্দুনা খঙনরম্লিবা অসিনদি হায়রিবা পোৎশক অনী অসিদি মপানলোমদগী পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নবা হৌখিবা অমা নৎত্রে হায়রগা হায়রিবা লমশিং অসিদগী মণিপুরদা লাক্তুনা লৈরখিবা খূৎনাইবশিংনা শাবা হৌদোকখিবা ওইরমগদ্রা হায়না খনবদি লৈ হায়রকখি। তেখাও হায়রিবা লম অসিনা ঙসি ঐখোয়না ত্রিপুরা হায়না খঙনরিবা ষ্টেট অসিনি। অদুগা কবো হায়বসিনা হৌজিক্না ম্যান্মার হায়না খঙনরিবা লৈবাক অসিদা লৈবা মীওই কাঙলূপ অমনি। মতম অমদদি অহলশিংনা 'কবো লৈবাক' হায়নরম্বসু তাহৌই হায়না পাউদম্লকই।



তৌবমক্কীসু লমদমসিগী পুৱারী হনগৎনা য়েংলুরগদি তেখাও লৈবাক অমদি কবো লৈবাক্না ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুরগা নিংথৌরোল খরগী হাক্তক্তা অফবা মরী লৈনরম্বগী ৱারী থেংনরি। কবোশিংনা লাক্তুনা লম্বনলবা নৎত্রগা খুন্দাহনখিবা মফম কবো লৈকায় হায়বনচিংবা হৌজিক ফাওবা লৈরি। অমরোমদা লমশিং অসিদগী খূৎনাইবশিং লমদমসিদা থারকহনবা অমদি ঐখোয়গী লমদম অসিদগী খূৎনাইবশিংসু অতোপ্পা লমশিংদা থাদোক-থাজিন তৌনরম্বগী ৱারী-শিংবুলসু লৈরি।

ৱাফম অমনা মীতৈগী অরিবা লাইরিক (পুয়া) 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়বদুদা লূ শীজিন্নরম্বগী ৱাফম থেংনরি। মদুদি, *'...মপালি ১ তী// কাইতে ঙমপাও// তৌনা কৌয়ে// কাইতেঙমপাতী// হুকমল হামলপা// থৌমল য়াঙমনপা? য়াঙমল কাইমলপাকিপু// থোংনাং য়োৎলু কাওচৌ সরা লুতা চঙনা নোংমল্লে// হায়দবরা//...'*

মতাং অসিদা ফোঙদোক্লিবসি গুরুগী মপারি কাইতে ঙম্বা কৌবা অসিদি লাক্ল-ফানবা ঙমদবা, মখোঙ মখূৎ য়াওবদগী থোংনাং ময়াংনা শাবা ঙা ফানবা অচৌবা কাউ, সরা লূ (শোরালূ) দা চংদুনা শিখি হায়বনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারী লীখুন অসিগী মতুংইন্না ঙা ফাবদা শীজিন্নবা 'শোরালূ' হায়বসি অচৌবা লূ, মী ফাওবা চংবা চনবা মখলগী লূ, অচৌবা ঈচেলদা থুম্নবা ওইগনি। অদুমক্তনা গুরুগী মচানিপানা শোয়বদগী লূদুগী মনুং চংদুনা শিখিবনি। মসিমক্তনসু লমদমসিগী মীয়াম্না ঙা ফাবদা লূ ঙল্লিঙৈদগী শীজিন্নরম্লে হায়বসিমা তাকচরে।

ৱাফম অমনা ৱারী অসিদা ঐখোয়না খন্নবা য়ারিবা ৱাফম্না সরালূ নৎত্রগা শোরালূ হায়না খঙনরিবা লূ মখল অসিক্কী মমিংবু পুয়া লাইরিক অসিদা 'থোংনাং য়োৎলূ কাওচৌ সরালূ' হায়না শীংথানরম্লিবা অসিনি। হায়রিবা লূ মখল অসিসু লমদম অসিগী য়েলহৌ মী খূৎনাইবশিংনা শারম্বা থোক্লবদি মমিং অসিদা থোংনাং ময়াংনা শাবা হায়রিবা ৱাফম অসি পল্লম্ফম থোক্তে। মৈত্রবাক্কী মীয়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা থোংনাং নৎত্রগা ময়াং হায়না মিঙ্গৌনদুনা খঙনরিবা মীওইশিং অসি য়েলহৌমীশিংদি নত্তে। মমাঙঙৈদা নোংচুপ হারমদগী লাকপা লোল-লাইনীং তিন্নদবা মীওইশিংবু থোংনাং হায়না খঙনরম্মী। মদুসু নত্তনা ময়াং হায়না খঙনরম্মী হায়নৈ। হৌজিকসু মরৱারি, দেশৱালি, বিহারিনচিংবা মপুংদা হিন্দি লোল ঙাঙবা মীওইশিং অসিবু ঙসিসু ময়াং হায়না অদুম্মক খঙনরিবা অসিনি। মরম অসিনা পুয়া লাইরিক অসিদা পল্লিবা 'থোংনাং য়োৎলূ কাওচৌ সরালূ' হায়রিবসি ময়াংশিংনা শারম্বা ওইরমগনি হায়না লৌবা য়াই।

খূৎনাইবা শ্যামকেশোনা হায়বিরকপা মতুংইন্না মহাক্না শাবা হৈরিবা লূ মখলসি কবোলূ অমদি তেখাওলূ হায়রিবা অনী অসিতনি। তেখাওলূ হায়বসিনা অচৌবনি অদুগা কবোলূ হায়রিবসিনা খরা পীকথবা মখলগী লূনি। লূ শাবদা শীজিন্নবা পজেং অমদি পয়া শিবদা শীজিন্নরিবা ৱা মখল অসিনা উনান হায়না খঙনবা ৱা মখল অসিনা মপূং ওইনা শীজিন্নৈ। মপূং মরৈ ফারবা উনান ৱা ৱাপুম অমদগী ইৎপা পজেং অমদি শিবা লুরৈ চেপশি (পয়াগী মমিং) না কবোলূ মঙা-তরুক শাবা কোন্নৈ। অদুগা তেখাওলূ অচৌবা অসিদি ৱাপুম অমনা য়াম্লবদা অনীদমক শাবা কোন্নৈ। হৌজিক্তি ৱাগী মমল অসিসু মহৌশাগী ওইদ্রে য়াম্না তাঙলে। ৱাপুম অমদা লুপা চাম্মা ফাওবা পীদুনা য়োন্নরে, লৈরে। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(৭৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লৌয়েং অতলবা। লৌয়েং লৌ শঙনফম। হাওবা সেরা মলমদম। য়াওরৌ শাথৌ শাদাল হৌরকয়ে। মদাইরেম মনাই অথোইবা অমপায়াই চাকুরৌবা। সাক্ন তোংয়ীবা নারেমবনা। শাদান তুংইননা তাননরকয়ে। নকা ঈয়াই খায়। ঈশিং ঈপাল লেপ। খাখোং ঈশিং ঈমৈশম। লাইখোং ঈশিং ঈরম লান। তাকনা লিলচীককোল লমবু লানথোকনা চোং। থৌবাল মোইচা চীঙ। ঈরাওখু হাওবা তাক। লালয়েং কাই ও মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। থাৱা হাওবা ঙাফা শোয়ফম শেননবনা। লময়াইকাই লমদা লৈবদা। হুয়েল লালয়েংখিয়ে। ময়ুম থাৱা নাওরোইবী। নাওরোইবাও। শামল কোনথৌচামবদি। থৱা ইপুঙ্যাইদা চঙলবনে। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) - (꯷꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯧꯌꯦꯡ ꯑꯇꯂꯕ॥ ꯂꯧꯌꯦꯡ ꯂꯧ ꯁꯡꯅꯐꯝ॥ ꯍꯥꯎꯕ ꯁꯦꯔꯥ ꯃꯂꯝꯗꯝ॥ ꯌꯥꯎꯔꯧ ꯁꯥꯊꯧ ꯁꯥꯗꯥꯜ ꯍꯧꯔꯀꯌꯦ॥ ꯃꯗꯥꯏꯔꯦꯝ ꯃꯅꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ ꯑꯃꯄꯥꯌꯥꯏ ꯆꯥꯀꯨꯔꯧꯕ॥ ꯁꯥꯛꯅ ꯇꯣꯡꯌꯤꯕ ꯅꯥꯔꯦꯝꯕꯅ॥ ꯁꯥꯗꯥꯟ ꯇꯨꯡꯏꯟꯅ ꯇꯥꯟꯅꯔꯀꯌꯦ॥ ꯅꯀꯥ ꯏꯌꯥꯏ ꯈꯥꯌ॥ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯄꯥꯜ ꯂꯦꯞ॥ ꯈꯥꯈꯣꯡ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯃꯩꯁꯝ॥ ꯂꯥꯏꯈꯣꯡ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯔꯝ ꯂꯥꯟ॥ ꯇꯥꯛꯅ ꯂꯤꯜꯆꯤꯛꯀꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨ ꯂꯥꯟꯊꯣꯛꯅ ꯆꯣꯡ॥ ꯊꯧꯕꯥꯜ ꯃꯣꯏꯆꯥ ꯆꯤꯡ॥ ꯏꯔꯥꯎꯈꯨ ꯍꯥꯎꯕ ꯇꯥꯛ॥ ꯂꯥꯜꯌꯦꯡ ꯀꯥꯏ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯊꯥꯋꯥ ꯍꯥꯎꯕ ꯉꯥꯐꯥ ꯁꯣꯌꯐꯝ ꯁꯦꯟꯅꯕꯅ॥ ꯂꯃꯌꯥꯏꯀꯥꯏ ꯂꯝꯗ ꯂꯩꯕꯗ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯌꯦꯡꯈꯤꯌꯦ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯊꯥꯋꯥ ꯅꯥꯎꯔꯣꯏꯕꯤ॥ ꯅꯥꯎꯔꯣꯏꯕꯥꯎ॥ ꯁꯥꯃꯜ ꯀꯣꯟꯊꯧꯆꯥꯝꯕꯗꯤ॥ ꯊꯋꯥ ꯏꯄꯨꯡꯌꯥꯏꯗ ꯆꯡꯂꯕꯅꯦ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।